ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯲꯲, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯰꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ওক্তোবর ২২, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ২০২ শুবা মশীং

# মোব ট্রাইয়লগী অমাঙবা

## মাং-তাকখ্রবশিংগী মমল নমদুনা লৌগদবনি

*মণিপুরদা* খ্বাইদগী ফজদবা, লৈবাক মচা তাদবা চৎনবী অমখক লৈ। হায়রিবা চৎনবী অসিনা খুন্নাই অসিবু মালেমগী মীৎমাঙদা য়োন্থোকই। অসিগুম্বা ফজদবা চৎনবী অদুদি ক্রাইম অমা থোরকপদা মোবনা ট্রাইয়ল চথননবা হোৎনরকপসিনি। শম্না হায়রবদা নুপী অমদা তাথী-তাওইনা তৌই, ফম্লাল্লগা হাৎতোকপীখ্রে হায়বনচিংবা থৌদোক অমা থোকপদা ৱাখলনা শাগৎলগা মহাক্কা মরী লৈনরম্মী হায়বা মরাল শুক্লে লৈজদবা নুপা অমগী ময়ুম-মকৈ মৈ থাদুনা মাংহনবীবা, মখোয়গী ইমুং-মনুং পূম্বা লৈকায়দগী তান্থোকপীবনচিংবা থৌদোকশিং তোয়না থোক্লি। অসুম্না মীওই কয়া অমা ৱায়েল তৌদনা হাত্তোকপিখ্রে। মখোয়না লৈবাক অসি লো চৎপা লৈবাক্লি হায়বা কাওখ্রে। অরানবা অমসুং লোগী মায়োক্তা থবক তৌবগীদমক মীওই অমা ঙসিমক চৈরাক ফংদবা য়াই অদুবু থেঙলবসু থেঙনা মহাক নোংমদি শোয়দনা চৈরাক ফংগনি হায়বসি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না কাওথোকই। অচুম্বা অশেংবা লোৎশিন্নবা হোৎনবগীদমক হৌজিকসু মণিপুরদা মমিং লৈরম্বা পুলিস ওফিসর কয়ামরুম অৱাফমদা তাগদবগী থরাক থরাক য়ান্দুনা লৈরিবনি। মসিনা তাক্লিবদি লো হায়বসি পুলিসনসু পায়দুনা শান্নবা য়াবা নত্তে, মীয়াম্নসু ঐখোয় মীয়াম্না মান্নরগা লোইরে, জেলদা পূন্না চঙলবসু চঙসি হায়রগা হেক্তা কোক্লবা য়াবা নত্তে। মণিপুরদদি ক্রাইম তৌরিবা মীওই নৎত্রগা মখোয়বু শৌগৎপা কাঙবুগা পুলিসকা পুন্না চৎমিন্নবদৌনা হেক হেক তৌই। মসিগীসু মথক্তা লৈবাক অসিগী অঙম অথৌশিংগী ফুরিৎখাউদা লো ঙাক-শেনগদবা পুলিস পার্সনেলশিং চঙলগা লৈ। অরানবা তৌই খঙলবা, ক্রাইম কয়াদা চেন্নে হায়বগী চপ চাবা খুদম-চাংদম লৈরবা ফাওবদা লৈবাক অসিগী অঙম-অথৌগী ইমুং-মনুংগী মী ওইরবদি ফিজি-ফিনানা ফাওবা নেৎপা ঙমদে। মখোয়বু ফারগা ৱারকপগী মহুত্তা সেল্যুট তৌরগা ঈকায় খুম্নে। মসিনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না লোবু থাজনরক্তবগী মরম ওইহল্লি।

হন্দক্তা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা লাংমৈদোং মমাঙ মখা লৈকায়দগী নুপী অমা ফি অমনা মখৌরী লাকহৎলগা হাৎলবা তুংদা ষঞ্জাবুং খোংনুং মনাক্কী পুখ্রি অমদা থাদরগা থন্লমখি। মশাগী চহী ১৯ লোম শুরবী লৈকায় অদুমক্তদগী য়ুম্নাম রোজি কৌবী নুপীমচা অদু চৎলিবা থা অসিগী ২১ দা য়াংদোং মনিং লৈকায়দগী খ্বাইরাকপম পুন্সিবা কৌবা মশাগী চহী ১৮ লোম শুরবা নুপা অমগা লুহোংনবা থৌরাং তৌরিবনি। নুপীমচা অদু লৈখিদ্রবা মতুংদা লৈকায় অদুগী মীয়াম্না ৱাখলনা শাগৎলগা মহাক্কা লুহোংগদৌরিবা খ্বাইরাকপম পুন্সিবনা মহাকপু হাৎপা ওইরমগনি হায়না লৌখি অমসুং মহাক্কী ময়ুম-মকৈ থুগাইদুনা মাঙ-তাকহনখি। নুপা অদুসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা চঙজখি। অসুম্না চরাংনবা থৌদোক অমা থোকখ্রবা মতুংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কাঙবুনা য়াম্না হৈ-শিংনা নুপীমচা অদু কনানা হাৎপনো হায়বা থিগৎলবা মতুং অতেনবা মতমদা মীহাৎ অদুগী মেইন এক্যুজনি হায়বা নুপা অমা ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা নুপা অদুগী মমিং থাংজম দর্শন এলিয়স ননাও (২২) কৌই। মহাক সুগ্নু অৱাং লৈকায়দগীনি। নুপী অদুনা শিদ্রিঙৈ, পুং খরগী মমাঙদা শিজিন্নখিবা মহাক্কী মোবাইল অদুসু নুপা অদুগী ময়ুম মনাক্তগী ফংবা ঙমখি। নুপী অদুগী মখৌরি লাকহৎলগা হাৎপদা শিজিন্নবা ফি মতৎ অদুগী মপুম ওইবা শরুক অদুসু নুপা অদুগী ইমুংদগী ফংবা ঙমখি। নুপী-অঙাং লৈরবা নুপা অদুগা মহাক্কা লৈনখিবা মরী অমদি মখোয় অনী মোবাইল ফোন্দা ৱারী শান্নখিবা অমদি মেসেজ থানখিবশিংগী রেকোর্দশিংসু পুলিসনা ফংবা ঙমখি। হৌজিক্তি মীহাৎপনি হায়রিবা নুপা অদুগী মথক্তা পুলিসনা অতেনবা মতমগী মনুংদা চার্জসীট থাগৎপা ঙম্লগনি অমসুং মরালগী মতুং ইন্না চৈরাক পীননবা থবক লৌখৎলগনি। য়ুনাইটেদ আরব ইমরেটসতদি অসিগুম্বা থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা থৌরি য়াল্লগা হাৎপগী চৈরাক পী, অফঘানিষ্টান্দদি নুমিৎ মরিনিগী মনুংদা মকোক্তা নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎলি, ইরান্দদি পুং ২৪ গী মনুংদা মীয়াম্না নুঙনা থাহল্লগা নৎত্রগা থৌরি য়াল্লগা হাৎলি। অদুবু ইন্দিয়াদদি করম্বা মতমদা এক্যুজ অদু চৈরাক পীগনি হায়বা খঙবা ঙমদে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবদি মীয়াম্না লান্না লৌদুনা ময়ুম-মকৈ থুগাইবীখ্রবশিং অদুগী মমল কনানা পীগনি। নুপা অদুগী মাংখিবা ঈকায় খুম্নবা কনানা হঞ্জলহনবীগনি। মরম অদুনা পুলিসনা পাম্বৈ অমা তৌরগা মোব ট্রাইয়ল চথবশিং অদুদগী নমদুনা ফাইল খোমগৎকদবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৮


১। পীরিবা অরিবা মৈতৈলোনগী ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু ঃ-
(ক) পায়োৎ (খ) পাহাংনোংজা

২। ‘‘ইরকই খুঙ্গংগী চিঠি / কনা হন্না য়েংবীদ্রবা তোর্ব্বানশিংদা / উপালশিংনা ঙাইদুনা লৈ উচেকশিং।’’ কবি কনানা হায়বনো?

৩। ‘কংলবা চেংহী ময়াল’ ৱারীমচাগী লাইরিকসিগী অইবীদু কনানো?

৪। ‘মাধবী’ বু বেঙ্গলীদা হন্দোকখিবী নুপী অইবীদু কনানো?

৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্তোবর ২৮, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৭ কী পাউখুম মঙামক অচুম্বা অমত্তা য়াওদবনা পাউখুম ৩ চুম্না খুন্নকপশিং খনগৎলগা দ্রো ওৎচবনি। পাউখুম ৩ চুম্না থাবিরকখিবশিংদি**

| | | |
|---|---|---|
| ১। | সনাথোই হাওবিজম, ফুরা মখোঙ | (৩) |
| ২। | *নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা লম্বী মাইবম লৈকায়* | *(৩)* |

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ২৭ কী ৱিন্নর**

*নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা লম্বী মাইবম লৈকায়*

দ্রো ওৎপদা মরাইবক ফবা ওইখ্রবী

**খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

নবেম্বর ০৬, নোংমাইজিং নুমিৎগী নুংথিল পুং ৪:০০; হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৭ কী পাউখুম


১। ‘‘তাইবং মীৎ পেল্লম্বা ইশং শংনা / পামেলগী লৈতেং ওইরম্বা নীংথিবা / হে উনা! পুন্সি লোম্লমাল্লে / উফুল্লক্তা তাইবং খোঙগাওনরেদো।’’ কবি কনানা হায়রম্বনো?
ঃ- হিজম ইরাবত

২। ‘তলা পামেল নহাকসু’ শৈরেংগী লাইরিক অসি কবি কনানা ইবনো?
ঃ- রতন থিয়াম

৩। ‘শমজিরৈ অমগীদমক’ হায়বা শৈরেংগী লাইরিক অদুগী অইবীদু কনানো?
ঃ- কুঞ্জরানী লোংজম চনু

৪। ‘পুন্সি পামেল’ মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো? ঃ- সোইবম ইবোমচা

৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞
ঃ- চিংঙাখম পিশক



# হুম্ফুনা তরামঙাদা করি?

**ৱাইরু ৱাইরুবদা**
**হোঙবা**



য়াম শাংনদি হায়জররোই, অসুক কুইবা চহী ১৫ (তরামঙা/ফিফটিন/পন্দ্রহ) অসি মী ৬০ (হুম্ফু/ সিক্সটি/ছাঠ) অসিনা হাইদুনা হুমদুনা ট্রিক ট্রিক লাউনা পাল্লক্লবনি। তেনখ্রবা চহী তরামঙা অসিদা মণিপুর অসি লাইরৈবাকমক য়ৌদ্রসু ফনা ফজনা লংহৌবা য়ারবনি।

হৌখিবা চহী ১৫ হায়বদি অঙাং অমনা হেক পোকপদগী হৌজিক ফাওবদা ক্লাস টেন পাস তৌদুনা এলেভেন কাবা য়ারিবা মতম অসিগী মনুংদা কংলৈ ইমা কংলৈপাকপু নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়হল্লনি হায়দুনা ৱাশক কয়া শক্তুনা, মীকপ মীরাউ কয়া তৌদুনা, মীৎলু পিরাং কয়া শিন্থদুনা, খুবাং চাংজৌ কয়া কয়া লোন্নরদুনা য়ূমথোং-য়ূমথোঙ চঙদুনা হায়জরগা মীখল মায় পাকচখিবা অথৌবা অথৌবী মপারি মমোম মখোয় হুম্ফুনা পান্দুনা নৈখায়দুনা লাক্লবনি। খরা অমনা মরাইবক থীজখ্রবসু মখোয় অনম্বনা হেক মমা পুক্নুংদগী থোরকপদগী মপুন্সিদা ভোট কাদুনা লাঙবা, মখূৎনা মমং লাম্বা ফংলক্লবা, ফংগে ফংগে তৌরক্লবা ফাওবা ময়াম অমনা হঞ্জিন-হঞ্জিন কাদুনা মণিপুর অসি শলাক শাবমখৈ নৈদুনা, ওৎতুনা মথক মখা ওনবমখৈ পান্দুনা লাক্লবনি। হঞ্জিন-হঞ্জিন কাদুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন পান্দুনা লাক্লবনি শম্না হায়জরবদা।

মীপুম খুদিংমক অসি নুংঙাই কৌবা অমত্তা হায়খিদ্রবনি মীয়াম অসি। খোয়দৌ শাউগৎপনা লাইমন হৌদুনা লৈরবা লৈরবী ঙাক্তা ওইরবনি মীয়াম অসি। হঞ্জিন-হঞ্জিন পনবদা তানীংদ্রবা ৱাফম খরা লৈরি, মসি অমুক্তং হান্না পলহৌখিগে ... মৈ পীবিদ্রে, ট্রান্সফোর্মর শেন্বীয়ো, টোটি ঈশিং থারক্ত্রে, দাক্তর থাবীরক্ত্রে, শেঞ্জা থুমজা হালেংবা লৈত্রে, থবক খনবদা শেল লৌদ্রবদি থবক হাপত্রে, হাপচিল্লুবা থবক লৌথোক্লে, আই এল পি এস বিল পাস তৌবিয়ো, সেদ্যুল ট্রাইব ওনবীরো ঐখোয় ৱাবনা শিদৌরে, পোৎ চৈগী মমল ৱাংলে, খূৎশুমল হাইহৎখ্রে, ইমা কৈথেল ময়ি চৎলে, চেঙ খূরক্কী ঈশিংনা হাইহৎখ্রে, চেঙ শুনা পীয়ো, ইচা নোংমৈনা কাপ কাপ্তুনা হাৎপীরে হায়বা খোল্লাওখক্তনা শুকলেপ লেপ্তুনা নিল্লগা লাকখি। মখোয় খরনা এম এল এ, এম পি হঞ্জিন-হঞ্জিন কাদুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন পান্দুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন ঐখোয়বু ওৎ নৈখ্রে।

লোইনমক মুন্না হেক খল্লুবা তারগদি খূরক্কী ঈ হায়বদু ঙাক্তনি। খূরক্কী ঈ হায়বদি ঈ মশেল ঈ মরী হায়বনি। মী অতোপ্পনা ফৎলক্ত্রবদি লায়না ঙাকথোকপা য়াবু য়াই। খূরক্কী ঈনা লাই শারকপা ফত্তবা তৌরকপা অসিদি ঙাকথোকপা ৱাই অদুগা তৌহন্দবসু লুই, থিংবা নমথবা ঙমদে। মহৈরোয়শিংনসু য়াখিদ্রবা, নুপীশিংনসু য়াখিদ্রবা, ইমা ইবেল, ইপা ইপল, ইচিল ইনাও, ইচে ইচল খ্বাই খিবিক্লসু য়াখি য়াখিদ্রবা মতাং তাঙ্কক কয়া কয়া য়াওখ্রে। অমুক হন্না হল্লক্লরোইদ্রা হায়না ফাওবা খল্লুরবা মীওই কয়ানি তাঙ্গৈই ওন্দুনা মংফমদা য়াতাখ্রগদৌবা মাল্লুরবনি অদুবু তগৎ তগৎ তেক্লা হঙ্গাম য়েল্লানা ফগৎপা অদুম্না অদুম লৈ।

অঙকপদি অঙকপনি, মীয়াম্না য়াদ্রে য়াদ্রে হায়রগা মায় পাকপগী চাং হেঙ্গৎপা, য়াদ্রে য়াদ্রে হায়রগা মীয়াম্না নুংশিবগী চাং অসুম অসুম হেনগৎলিবা অসিবু অঙকপা অমা ওইদ্রিবরা? চহী চুপ্পা নোংমতা লৈপাক্কী ঈরাং থোক্তবা হায়বদু লৈখিদ্রবনি। মীয়ামগী পেন্দবা খোল্লাও কয়াগা লোয়ননা বোয়কোট কয়া তৌখ্রবনি অদুবু মীয়াম্না পেন্দ পেন্দ্রগা, মীয়াম্না বোয়কোট তৌবা হেল্ল-হেল্লগা মীয়ামদগী ভোট ফংবা হেনবা অসিবু অঙকপা নৎত্রা? নৎত্রগা মীয়াম অসি ৱাখল লোইনা চোইখ্রজাৎলা? চোইরমফমদি থোক্তেনা!!!

মহাক মহাকমক্তা হু তরেৎ খানা য়াখিদ্রবা পুমপেন পেনখ্রবা মঙদফাওবা মশক উনিংখিদ্রবা মখোয়শিং অদু মীয়াম অসিনা নৌহৌননা ঐদি অদুগী মীরেপ অদুদা শৌগৎচরে, অদুগীদমক্তা লেপচরে হায়না মিং পরেং পরেং উবা হৌরক্লিবা অসিনা তাকপদি মীয়াম অসি হৌখ্রবা অৱাবা লোইনমক কাউথোক্তুনা ঙাকপী হৈবা গুন কয়ানা লৈতেংলবরা হায়বা অসিনি। হঞ্জিন - হঞ্জিন কাখ্রবা মীশিং অসি মীয়াম্না টেষ্ট তৌরবা ওক্লবা কয়া য়াওখ্রে অদুবু মীয়াম্না পেন্দ্রে হায়রিবা ময়াম অদু মমৈদদি শুম লাউদুনা খোংদুনা শান্নবগী মওং ওইনা হেক্তা ওইরম্মী। অঙকপদি অঙকপনি, মীয়ামদগী হেন্না ঙকপা লৈতে, মীয়ামদি ঙাউহঞ্জনীংদে। মীয়াম্নবু ফবিরবদি খ্বাইদগী মপুকচেল শেংবা খ্বাইদগী নংবা নুপা হুম্ফম মায় পাকহল্লগা লৈঙাক শেমহন্দুনা নুংঙাইনা অমুক পানবা য়াই।

# ভোট চুম্না পীবা কৈদৌবাও

**— নবকুমার ওইনা —**

*হন্দক্তি* ভোটসি চুম্না ফজনা পীনগদৌবা মাল্লক্লি। য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনবা মাল্লি। চোঙথোকপা-চোঙশিনবা, য়াওরেগা-তোক্লেগা ফনা ফজনা তৌনরে। এমদু বিদা য়াওখ্রে, এলদু সিদা য়াওখ্রে, বিদু বি পিদা য়াওখ্রে, জেদু বিদা য়াওখ্রে, কেদু সিদগী তোকখ্রে, এলদু বিদা য়াওখ্রে, আইদু সিদা য়াওখ্রে হায়বা ময়ামসি তাবা নুংঙাইবা য়াম্না কানরিবা অমনি। শাউরুবগী কানবা লৈবা নত্তে, য়াওরুবগী কানবা লৈবসু নেত্ত, ভোটসি সেক্রেটনি।

ভোট থাদবা হৈত্রবদি ঙাঙনরিবা ময়ামসি লোয়নমক লাল্লকপদুনি। ভোট পীগদৌবশিংদি ৱা ঙাঙদ্রবসু য়াই। কনাদা ভোট পীগনি খনবসি ৱা অমত্তা ঙাঙথোক্ত্রবসু য়াই। ৱা য়াম্না ঙাঙনরিবসি হৈত্রিবগী ওইগনি। ভোটকী চফুদু থন্দদনা মখোল থোক্লকপদুনি। ভোট পীবসি ইরায় লায় হায়রগা য়াম্না লুশিল্লকপদুনি, চহী হুম্ফু-হুম্ফুতরাসি অমত্তা হেক চুম্লমদৌবা মাল্লক্তে। মরী-মতানি, খঙনবনি, য়াম্না কন্না হায়বদগীনি, থবক হাপ্পগীনি, পৈশা পীবগী হায়রবদি লোয়নমক লানবদুনি। হৌবদগী লাল্লবদি লোয়রফাওবা লানবা তাবরা? মরক্তা চুমথোকপা য়াদবরা? এরোপ্লেনবু নোংথক্তা খাম্বা য়াবরা? ‘‘ঐ ওইরবদি থোক খামজিল্লগা য়েংবা য়ারিপোৎনি’’। ‘‘এ! নঙ অমা ভোট লেপ্পা য়ারগনি’’ হায়রকইবসিনি। য়াদবা য়াব্রা, য়াদবদু য়াহনবা ঙম্বদুবু মতমগী লীদর হায়বগী ৱানি। কনানা গঞ্জা পুবা য়াদে হায়বগে, কনানা য়ু লল্লোনবা য়াদে হায়বগে, কনানা গুলি লল্লোনবা য়াদে হায়বগে, কনানা নোংমৈ লল্লোনবা য়াদে হায়রগেনে? য়াবদুনবু ঙসি ফাওবা অদুমক তৌরিবা ওইগনি। য়াদবা অমত্তা খঙদবা, লোয়না য়াহনবা ঙম্বদু ভোট কাবসু অদুম ঙম্লদৌবনি। ঙমদবা ঙাক্তা খঙবদুনবু করি ঙমগদৌরিবনো? ভোট কাবসু ঙম্লোই।

মিংবু চৎচৌ হায়রবদি হন্দক য়ু লিক্লি তরা-কুন ফাবা হৌরুবদু চহী চাম্মগী মনা ফংখ্রে। ভোট মমাঙদা য়ু থকপা থিংবসি পুমথিং থিংবা তারিমান্নে। ইন্দিয়াসু ভোটতা য়ু পীথকপা, পৈশা য়েনবা, চাক পীজবসি ইলেক্সনগী কন্দক্তা লাল্লিকাক হায়বা হৌরক্লে। ভোট কাবা য়ানবা য়ু পীথকপদু য়াদে হায়রিবা কাঙবুদি ভোট অদুম কাদবা তাবনি। অমনা অমুক য়ু পীথকপা কাঙবুদুদা ভোট পীবা লাল্লি হায়গনি। য়েৎনরিবসি য়ু পীথক্লিবা মীদুগা নত্তে, য়ু থকপদুগা থকপা ফংদবদুগা য়েৎনরকপনি। য়ু থকপদুনা ঙমগনবগী ৱানি, মাগীদি পীথকপিনবা লৈ। থক্লিংবা অমদুসু য়ু পীথকপা নিপাদু ফৈ হায়বা হৌরকই। থবক হৌবদগীদি ভোট অদুম পীখ্রে। চহী তরা-কুন মথং মথং পীরনি হায়খ্রে। মসিবু ভোটকা মরী লৈনরিব্রা? পৈশা পীবসু য়ু পীথকপগীদুগা চপ মান্নে।

ভোটকী ৱারী নৈন-নৈনরগা য়ুগা, পৈশাগা, চাক্কা, থবক্কী পৈশা লৌখিবগা ৱারী ময়ামসিগী চগো মনুংদগী ইহেন হেন্দোক্তবগুম তৌরি। মসিবু কোক্কী তুম্বা মনুংদরা, লৌশিংগী চগো মনুংদরা খঙদ্রে। তুম্বাগা চগোগাসি করম্বনা চুম্বনো অমুক খঙজিল্লক্ত্রে। তুম্বা ফাওবা খঙদ্রবদি ভোটতি কদায়দগী খঙলদগে? য়েৎপু য়েৎনগে হায়রবদি ভোটসি চগোগী মনুংদনি অমনা তুম্বাগী মনুংদনি হায়না পঙয়েক্তা য়েৎনবনি। চগো হায়রিসিনা পার্টিনি, তুম্বা হায়রিসিনা পৈশা কোৎপদুনি। অদুনি ভোটকী ৱাসি য়াম্না লুনসু খল্লুনু, খন্থরগা তুম্বাগী ৱা হেক্তা ওইরম্মী।

হন্দক চগো মনুংদা বেলুন ফাইটিং তৌনরিবসি মওং অমা হোংদোকপা ওইগনি খল্লি। চোঙথোক-চোঙশিন তৌনরিবসি অফবা নেচরেল প্রোসেস অমনি, চেঙ খৈবনি। য়াংকোক্তগী তাখিবগুম্বনি, অমনা খৈবা চত্তবা ফৌমান য়াওরিবনি। চহাও অমুবগা চহাও অঙৌবগা মচুগী য়েৎনরকপগুম্বনি। মীশিংদুদি লৈবাক্কী চহাও ঙাক্তনি। চহাওনা পুক থন্নবা চাবা ঙমজদবা ময়াম্লি, অদুননি চাক্লুক্তা চহাওসি ওপোজিসন্দা ওইদুনা লৈবনি, কনা অমনদি চাদ্রিবনি। চহাও থোংবা হৈতনা ভোট কাবা হৌনদেদা। চাগে - চাও চারোই তোকউ চখোম অমমমদং চৎনা-চৎনা তৎ-তৎ য়েনশিন্নখ্রে হায়রি। চহাও হায়রেদনা অশেংবা নুংশিবা ৱাহৈ অনী-অনী, লুপা লিশীং মঙা-মঙাগা য়েনবা হৌনখ্রে তারে।

ভোট লায়রি, ঐগী পৈশানা কমদৌবা হায়রক্লে। ঐখোয় মীদুনা পৈশা পীদ্রবদি ভোট পীরোই হেক্তা হায়রকই। শ্বাই লাওই, পৈশা য়েনবা য়াররোই হায়রকপদা ঙাইরি। চোপ্পনা হানবা তারে। পৈশাদুদি অদুম লৌগনি, মী খঙহনবা য়াদে হায়বগী ৱাতনি। লুরিবসি কনা-কনা খঙহনবা য়াই? খঙহল্লুরগা কেস পানশিল্লগা ওনশিন ওনশিন খৎনহল্লক্লবদি। কেস তৌনহনবা ফৈ, খরা খরা শেমদোকপসু ফৈদা। মীগীদি লোয়না শেমদোক্লখ্রে, ঐখোয়গীদি য়াখিরোই, কনানা হৌদৌবনো খঙনদ্রিবনি। কেস তৌনখিবা ময়াম লৈখ্রে, ভোটকী কেসপু অমত্তবু লোয়শিনবা তাখিদ্রি। কোর্টসি ভোটনা ঙম্মী। কোর্টতসু মীনি, ভোটতসু মীনিদা, লমদমসিগী মীনবু...।

মীওই মরি-মঙা ফম্লগা খন্না নৈনবা য়াম্না উরে। মখোয় খরদি য়াম্না হৈরবকাক মাল্লক্লবনি। মদু কান্নবা মাল্লম্বনি, মখোয় খরা ফুনহল্লগা য়ারদরা? মখোয় খরগী অঙম তান্নফম, এদভর্টাইজ তৌফম মাল্লক্লবনি। মী চাম্মা-চনিগা পার্টি হোংলেকাক হায়বা য়াওরকই। মী ময়ামদু ঙা-মচা পুবগী মওংদা ওক্সিজেন খরা হাপ্পগা সাইকল মনিংদা য়ানবা, দবলরোযি য়োনবা চৎপগী মওংদা কোয়পু পুবা মাল্লকপদুনি। সেক্রেটনি হায়রগা ৱা-ৱা তৌবা, অরোনবা ঙাকপা ঙমদ্রবদি ফি শেৎলুবগী করি শানো হংবা তারকপদুনি। ভোটতি ফি শেৎপা মীওইবগীনি।

অমরা-অমরা চোঙথোক চোঙশিন তৌনরিবসি তৌদবা য়াদবনি। চাক থোংবদবু চেঙ মরু অমা মাঙহন্দবা ঙম্বা হৌনদে। লাইগীদমক লৈরঙদা কৎপসু য়াওরিবনি। লাইনা লৌখ্রবা খরগীদি মচা-মশুদা দাই-ইন-হার্নেস পীনবসু য়াওরিবনি। মীয়ামসিদি গভর্ণমেন্ট হায়রিবসিনি, ফোর দি পীপল বাই দি পীপল হায়রিবনি, মীয়াম্নবু তৌরবদি পংয়াদা য়াবা উরিবনি। ৱারেপ লৌবা ঙম্লবদি ময়ূম থুগায়গেরা, হায়দি হায়হৈদে মৈ খরা হৌগৎলগা ভোটসি তৌদ্রবা ফাওবা য়াগদৌবা মাল্লি। মীয়াম্না ৱারেপ লৌববু ভোট তৌদ্রবসু য়াবা ময়াম য়াওখ্রবসিদবু করিগী কোয়থজরুনি। ভোট হায়বা লীলা মানবা অমা তৌরিবসিদি তুমিন্না পৈশা য়েনবদু য়ানবনি, গভর্ণমেন্ট শেমদোক শেমজিনগী নত্তে। মদুদি কায় খঙদে-কাদে খঙদে মখোয় খরনা অদুম তৌগদৌবা লৈখ্রবনি। লৈবাক মীয়ামগীদি পৈশাদো, পৈশা য়েনবা মী মশীং য়ামহল্লগা লোইরে। ময়ূম মকৈ য়োনগেরা, বন্ধোপ থমগেরা, হুগেরা-লাক্কেরা-পুগেরা, মীয়ামসি নুংঙাইনবা পৈশা য়েল্লগা লোইরে। ভোটসি ইন্দিয়াদগী লমদমসিনা হাল্লিবনি, হৈবরা ইহৈ হৈতবগুম ঙাঙনদুনা লৈরে। কৈদৌঙৈ হৈরক্কনি খঙবা নৎত্রি।

ভোটসি ফজনা তৌগে হায়রবদি চোঙথোক চোঙশিনসি হান্না লোইশিনগদৌবনি। চোঙনরিবসি ভোট কানীংবগী ওইরম্বা য়াই। য়েংলিবা ঐখোয়নদি গভর্ণমেন্ট শেম্বা হৌবগী শরুক অমনি খল্লি। চোঙনরিবসি পার্টি শেমগৎনবনি, চোঙবসি হান্না লোয়রবদি বাই-পার্টি সিষ্টেম হৌদোকপবু য়ারক্কনি। পার্টিগী ৱা খঙদে কানীংবা মীনা মশীং য়াল্লিমখৈদি চোঙবসি তোকপা ঙম্নগদৌবা মান্দে। মচিন্দা পংহায় হায়নবগী ৱাতনি পার্টিদগী মশাগী ভোট কানীংবনা হেন্নরকপদগী চোঙনরিবনি। পার্টি হায়রিসে ইদোলোজিগী ৱাদুনি। ইদোলোজিদু কান্নরক্ত্রবদি গ্রুপিজম তারকপদুনি। চোঙবা ঙমদবা খরদি ভোট কাবা ঙম্লোইদৌবা মাল্লকপদুনি। অমরা-অমরা পৈশা য়েল্লগা কাগনি খনবসু য়াওরমগনি। ভোট তৌনরিবসি গভর্ণমেন্ট শেম্বগী খনবদি মীওই তরা-কুন্দনি। মী অয়াম্বনা খন্নরিবনা মতৌ করম্না পৈশা য়েনগনি - পৈশা লৌগনি খন্নবঙাক্তা মাল্লকই। গভর্ণমেন্ট শেম্বদুসু পৈশা পীনৈ হায়নবা লৈরি। লোয়নমক পৈশাগী ৱা হেক্তা ওইরকই। হিংলিবসি পৈশাগীনি হায়বসু য়াওনরি।

নুংশিৎ অসিদবু কনাদা ভোট পীগদৌবনো? ভোট তৌদ্রিঙৈদা শোয়দনা গভর্ণমেন্ট শেমগনিকাক ফোঙদোক্লবসু য়াওই। ভোট লোইখ্রবোয় খল্লকই, লোইখ্রবদি য়াওদ্রবসু য়ারে খনবা মীসু য়াওনরকইবনি। চুম্নবু হায়দে ‘খ্বাইদগী তুক্কচবসি ভোটনি’ হায়বা য়াওনরকইবনি। মদুম চথনখিবা তারবদি লৈবাক খুন্নাই অদুদি করি ওইগনি। মীওই খরদি অদুমক লৈগনি। মদুদগীদি নিংথৌ পানবা লৈবাক অমুক মাল্লক্কনি। হৌজিক হৌজিকসু অঙম্বা খরনা পংতৌ তৌবনি হায়নরবদি মওং অমগী নিংথৌ পানবা লৈবাক্লুম্বনি। নিংথৌ মানবগী ৱাঙাঙ ঙাঙলবা, নিংথৌ শাজৎ চৎলবা, নিংথৌ লৈঙাক অদুমক মানবা তাবনি। ভোট লেপ্লিবা মীশিংগা ভোট পীরিবা মীগা পৈশাগী মরীদু নত্তবা পাউ ফাওনবা অমা চঙলি। মরীদু ময়েক শেংদ্রিবা মখৈ চোঙবা লেপ্নখিরোই, পৈশা য়েনবা লেপখিরোই। কাহনবীয়ু, কান্নবা শাজৎ চৎচগে হায়বগী মহুত্তা কাদবা য়াদে খল্লবদি, হায়রদি ৱা অদুম কায়রকই, ঈশিং অদুম চঙলকই। মদুবু কনানা হায়বা হৌরকপনো? মদুমক খন্থনবগী থৌদাং অদু মীয়ামদা লৈরে হায়রিবনি। মীয়াম্না থৌদাংদু লৌদ্রিবা মখৈ ভোট হায়বসে তৌদ্রিবগুম্বনি। ভোট শেংনা তৌদনা গভর্ণমেন্ট শেম্লে হায়বসি ৱাথি চিংই। লৈঙাক চুমদ্রবদি খুন্নাইদু হিংবা হৌদ্রিবগুম মুৎপনা হানখিবা তাবনি। ৱাখল লৌশিং লৈবা মানবশিংনা চোয়ঙাঙ খরা ঙাঙবনা কনবা ঙমগনি হায়বা লৈতে। মীয়ামগা পূনবা ঙম্বা তারকপদুনি।

ৱা খন্নবগী মওং চুমদ্রিবসি মালেমসি মী লৈরুবগী কান্নবা মপূং ফাবা ঙম্লোইদৌরিবনি। ৱারী চুমদবদগী ঙসি-ঙসিমক মালেমগী মচি কয়াদা লান চথনরিবনি, মী হাৎনরিবনি, মী শিনরিবনি। য়োংনা চোঙবা, জিম্নাষ্টিক্কী চোঙবা, লানগী চেনবা-চোঙবা ময়ামসি ভোটকী চোঙবগা মানহনবা য়াবা নত্তে। চোঙবা হৈরগা ভোট হৈরে হায়বা য়ারোই।

হৈদি হৈতনা কমদৌনা ভোট চুম্না পীবা ঙমগদৌরি।